

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, MAY 08, 2018 PAGE 7

*চথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী বোলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা ঙমদুনা পরপল কেপ ফংখ্রবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বোলর হর্দিক পান্দিয়া*

*চহী অসিগী মে ২৬ তা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী লিভরপুলনা শান্নগদবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেলগী রেফরি ওইবগী থৌদাং লৌগদৌরিবা সর্ভিয়া মচা মিলোরাদ মেজিক*

## সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২০, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৮ ফংদুনা মকোক ওইখ্রে



*কলম্বো, মে ০৭ঃ*

শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা এসিয়াগী লৈবাক ৭ কী এঠলেটশিংনা শরুক য়াদুনা চথরকপা ৩শুবা সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২০, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৮ ফংদুনা মেডল টেলিগী মকোক ওইখ্রে।

পনবা য়াবদি সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা গোল্ড ১১, সিলভর ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৩ লৌদুনা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি।

ঙসি লোইশিনখিবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনৌবা রেকোর্দ ৫সু থম্বা ঙমখি।

জুনিয়র ৱুমেনঃ–

জুনিয়র ৱুমেনগী হাই জম্পতা ইন্দিয়াগী গ্রেসিনা মেরিনা মিটর ১.৭০ চোংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট অভিনায়া সেথিনা মিটর ১.৬০ চোংদুনা লৌখি।

ত্রিপল জম্পতা ইন্দিয়াগী খুসবিন ৱারাইকনা মিটর ১২.৫৯ চোংদুনা সিলভর মেডল লৌখি। মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট দুর্গা দিওরেনা মিনট ২ঃ০৯.২৭ দা চেন্দুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট অনকিতা চাহলনা মিনট ২ঃ০৯.৯১ দা চেন্দুনা ফংখি।

মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট নানহিনা মিনট ১ঃ০২.০৬ তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুসু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট সুনিল কুমারীনা মিনট ১ঃ০২.৪৫ দা ফংখি।

সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা দিস্কস থ্রোদা ইন্দিয়াগী এঠলিট করুনিয়া রামালিঙ্গমনা মিটর ৪৮.৫৮ লংলগা সিলভর মেডল লৌখি।

মিটর ৩০০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী পুনম সোনুনেনা মিনট ৯ঃ৫০.২১ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুসু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট সভিতা পালনা মিনট ১০ঃ০৪.২১ দা চেন্দুনা লৌখি।

জুনিয়র মেনঃ–

সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপামচাগী সোট পুট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এঠলিট আসিস ভালোথিয়ানা মিটর ১৮.৫৩ লংদুনা অনৌবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট সাহিব সিংহনা মিটর ১৭.৭৫ লংদুনা ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

ত্রিপল জম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এঠলিট কমলরাজ কানাগারাজনা মিটর ১৫.৯৬ চোংদুনা গোল্ড মেডল লৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুসু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট অসুটোস চৌহাননা মিটর ১৫.৩৭ চোংদুনা লৌখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট অমননা সেকেন্দ ৫২.৫৬ তা চেন্দুনা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুসু ইন্দিয়াগী এঠলিট ধাভাল উটেকরনা সেকেন্দ ৫৩.৩৫ দা চেন্দুনা লৌখি।

মিটর ২০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী নিথিন বালাকুমারনা সেকেন্দ ২১.৬৩ দা সিলভর মেডল ফংখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট অকাস কুমারনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা অজয় কুমার বিন্দনা মিনট ১৫ঃ০৮.৪০ দা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুসু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এঠলিট গুরপ্রিতনা মিনট ১৫ঃ৩২.৫৩ দা লৌবা ঙমখি।

শ্রী লঙ্কাগী সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিং অসিনা জুন ৭ তগী ১০ ফাওবা জপানগী সিটি গিফুদা পাঙথোক্কদবা ১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগনি।

কলম্বোগী সাউথ এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২০, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৮ ফংলগা মেডল টেলিগী মকোক ওইখি। য়ুম্বু শ্রী লঙ্কানা গোল্ড ১২, সিলভর ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৯ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা পাকিস্থাননা সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি।

## হদ্দর্সফিল্ডগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ টাইটল লৌখ্রে



*ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ সিজনগী টাইটল লৌখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা*

*লন্দন, মে ০৭ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৬শুবা লীগ মেটচ অমদা হদ্দর্সফিল্ডগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা লীগ অসিগী টাইটল লৌখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা ঙরাংগী মেটচ অসিগী মাঙওইননা পুন্না পোইন্ট ৯৩ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট পোইন্ট ১৬ হেন্দুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখিবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং হদ্দর্সফিল্ডনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎতুনা টিম অনীমক পোইন্ট অমমম য়েন্নখিবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পুন্না পোইন্ট ৯৪ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী পোইন্ট ৭৭ দগী পোইন্ট ১৭ হেন্দুনা তানখৎলকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈখিদবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বার্সেলোনা অমসুং ৩শুবা পোজিসনদা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদ পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লুই স্বারেজনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৪ লৈরগা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদপু অমুক হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা রোমানা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি।

রোমাগী মায়কৈদগী মায়পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই সেঙ্গিজ অন্দরনা চনখিবনি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টেবলগী ৪শুবা পোজিসনদা লৈরিবা মার্সিয়েলনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা নিসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু নিসকী শান্নরোই মারিও বালোটেলিনা ৫শুবা মিনটতা চনখি। মার্সিয়েলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদুনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই ভালেরি জর্মেননা চল্লবা মতুং হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দিমিত্র পায়েটনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা নিসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

## রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা রোমানিয়াগী আই সি বেগু মায়থিবা পীদুনা মুটুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী রুশিয়াগী সরাপোভা*

*মাদ্রিদ, মে ০৭ঃ*

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা চত্থরিবা মুটুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা রোমানিয়াগী আই সি বেগুবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমানিয়াগী আই সি বেগুবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখ্রবসু গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী থংনবা গেম অদু সরাপোভানা লৌখিবদগী ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা বেগুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনাগী এস ঝাংবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী পি মার্টিকপু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৫শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাবু ৬–১, ৬–৪ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মুটুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোভাক জেকোভিসনা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরিবু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টজমেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মানারিনোবু ৬–১, ৬–৩ দা থোইদুনা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

কানাদাগী মিলোই রাউনিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা আর্জেন্টিনাগী নেকোলাস কিক্করবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ বলেগরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনরগনি।

বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির ঝুমহুরনা মুটুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী শান্নরোই জুলিয়েন বেনেটিবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## আফগনিষ্টানগা শান্নগদবা টেষ্টতা অজিনক্য রহানে কেপ্টেন ওইরগনি

*মুম্বাই, মে ০৭ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মহারাষ্ট্রগী সিটি বেঙ্গালুরুদা আফগনিষ্টানগা শান্নগদবা ৱান ওফ টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন অজিনক্য রহানেনা ওইরগনি।

জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কাউন্টি চেম্পিয়ন্সিপ সর্ভেগী লুচিংগদবা মরম্না অজিনক্য রহানেবু আফগনিষ্টানগা জুন ১৪ দগী শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ অসিগীদমক কেপ্টেনগী ফম পুহনখিবনি।

আফগনিষ্টানগা শান্নগদবা ৱান ওফ টেষ্ট মেটচ অসিদা শরুক য়াররোইদবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিগী মহুৎ স্রিয়েস আয়রনা শিল্লগনি। আফগনিষ্টানগা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ অসিগীদমক থা অসিগী ৮ দা সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী গগন নারঙ্গ অমসুং পুজা ঘাটকরনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মিক্স টিমদা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*প্রিজেন, মে ০৭ঃ*

ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নারঙ্গ অমসুং পুজা ঘাটকরনা জেক রিপব্লিক্কী সিটি প্লিজেনদা চত্থরিবা গ্রান্দ প্রি ওফ লিবরেসন ইন্টনেসনেল সুট্টিং কম্পিটিসনগী মিক্স টিমগী মিটর ১০ গী রাইফলদা সিলভর মেডল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেয়র গগন অমসুং ঘাটকরনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ৮৩৩.২ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখিবনি। মদুদা গগননা পোইন্ট ৪১৩.৫ ফংখি অদুগা ঘাটকরনা পোইন্ট ৪১৯.৭ ফংখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নারঙ্গ অমসুং পুজা ঘাটকরনা গোল্ড ফংখিবা জরেট সেসিনাইট অমসুং কেরোলিজ গিরুলিসতগী শুপ্নগী পোইন্ট ১.৩ শোত্থরগা সিলভর মেডল অদু ফংহৌবনি।



মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর শ্রী নিভেথা অমসুং অমনপ্রিত সিংহ ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা স্কোর ৭৭৫ ফংদুনা মকোক ওইখ্রবসু সিলভর মেডল ফংহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি কম্পিটিসন অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা নুপীগী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর মিহিকা পুরেনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং নুপাগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর নিভেথা পারামানন্থমনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 449/SDC/P of 2018

Md. Helan and
Md. Rahman S/o Iboton of Khergao Awang Sabal Leikai
Petitioners
-Vs-
Iboton S.o (L) Sanaton of Khergao
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 7-5- 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29-Top Naoriya গী Patta No. 248 (অরিবা) 68 (অনৌবা) C.S. Dag Nos.1138 an area 1.12 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill (Leklin)/08

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 451/SDC/P of 2018

Christina Heisnam D/o (L) Heisnam Bharat Meitei
of Porompat Kongkham Leikai
Petitioner
-Vs-
Late Heisnam Bharat Meitei S/o (L) Ibochou Meitei
of Sagolband Moirang Hanuba Leirak
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 7-5- 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 32-Ganga Pat গী Patta No. 4 (old) 253/ 334 (New) 4 (old) (অরিবা) 28/253 & 253/334 (অনৌবা) C.S. Dag No.55/311 & 55/311 an area .08+.02=.10 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill (Leklin)/08

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 452/SDC/P of 2018

1. Takhellambam Chaoba Singh S/o (L) Angou Singh
2. -do- Rajen Singh S/o (L) -do-
3. -do- Ibomcha Singh S/o (L) -do-
4. -do- Brajamani Singh S/o (L) -do-

all of Top Awang Leikai, Iril Wangma
Petitioners
-Vs-
Takhellambam Angou Singh S/o (L) T. Tonjao Singh
of Top Awang Leikai
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 7-5- 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Top Dusara গী Patta No. 7 (অরিবা) 598/1121 (অনৌবা) C.S. Dag No. 24/774 an area .56 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill (Leklin)/08